# ভিলাই ষ্টীল প্লান্টতা পোকখাইখিবা অদুদা শিবা ১১ য়ৌখ্রে, সি ই ও মফম লৌথোকখ্রে, ২ সস্পেন্দ তৌখ্রে



***রাইপুর, ওক্টোবর ১০***

ঙরাং লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ভিলাই ষ্টীল প্লান্টকী গ্যাস পাইপলাইন পোকখাইবদা মী ৯ শিখিবা অমসুং অরুবা ফিভমদা ১৪ শোকখিবা অদুগী মনুংদা মীওই ২ অমসু শিদুনা পূন্না শিবা মীগী মশীং ১১ য়ৌখ্রে। থৌদোক অসি থিজিন্নবা ইন্টর্নেল কম্মিটি শেমখিবগা লোয়ননা প্লান্ট অসিগী সি ই ও মফম লৌথোকখ্রে। অদুগা সেনিয়ার ওফিসিয়েল ২ ঙসি থবক্তগী সস্পেন তৌখ্রে।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর ষ্টীল বিষ্ণু দিও সাই না ভিলাই ষ্টীল প্লান্টতা থোকখিবা পোকখাইবগী থৌদোক অদু লাইবক থিবনি হায়না ঙরাং ফোঙদোকখি অমসুং খুদোংথিবা থৌদোক অদু করম থোকখিবনো থিজিন্নবা ইন্টর্নেল কম্মিটি অমা শেম্লে হায়খি।

হোস্পিটালদা অৱা-অনা তারবা মীওইশিং উন্নরবা তুংদা মিনিষ্টরনা মেম্বর ৪ লৈবা ইন্টর্নেল কম্মিটি অমা শেম্লে অমসুং হীরম অসিদা হেন্না কূপ্না য়েংশিন্নবা এক্সটর্নেল কম্মিটি অমসু থুনমক শেম্লগনি হায়খি।

লৈবাক অসিগী ষ্টীলগী পোখোক পুথোকপা খ্বাইদগী চাওবা কম্পেনি ওইরিবা ভিলাই ষ্টীল প্লান্ট অসি ছতিসগরগী দুর্গ দিষ্ট্রিক্টতা লৈ। প্লান্ট অদুগী কোক ওভন কমপ্লেক্সতা ৱার্কর খরনা মেন্টেনেন্সকী থবক চথবদা ঙরাং পাইপ লাইনদা মৈ হৌরকখিবনি অমসুং মদুদগী পোকখাইরকখিবনি হায়না ষ্টীল ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া লিমিটেদ (এস এ আই এল) না ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি।

ছতিসগরগী কোনুং রাইপুরদগী কিমিঃ ৩০ রোম লাপ্পদা ভিলাই তাউনদা লৈবা জৱাহরলাল নেহরু হোস্পিটালদা প্লান্ট অদুগী শোক্লবা ইমপ্লোয়ীশিং অদু য়েংশিল্লুরবা তুংদা য়ুনিয়ন ষ্টীল মিনিষ্টর চৌধরি বিরেন্দর সিংহনা ষ্টীল প্লান্ট অদুগী চীফ একজিক্যুটিভ ওফিসার (সি ই ও) অদু মফম লৌথোকখ্রে অমসুং অতোপ্পা সেনিয়ার ওফিসার অনী থবক্তগী সস্পেন তৌরে হায়না ঙরাং ফোঙদোকখি।

সি ই ও, এম রবি খুদক্তগী লৌথোক্লে। অদুগা জেনরেল মেনেজর (সেপ্টি দিপার্টমেন্ট) টি পন্দ্যা রাজা অমসুং দিপ্যুটি জেনরেল মেনেজর (ইনর্জি দিপার্টমেন্ট) নবীন কুমার সস্পেন্দ তৌখ্রে হায়না পাউমীশিংদা মিনিষ্টর বিরেন্দর সিংহনা হায়খি।

মসিগী মমাঙদা, গ্যাস পাইপ লাইন পোকখাইবগী থৌদোক্তা শিখ্রবা মীওইশিং অদুগী পোষ্ট মোর্টেম রিপোর্ট ফংলবা তুংদা ইন্দিয়ান পেনাল কোদ (আই পি সি) গী সেক্সন ৩০৪(এ) (কোজিং দেথ বাই নেগ্লিজেন্স) কী মখাদা কেস অমা লৌখৎলগনি হায়না ইন্সপেক্তর জেনরেল ওফ পুলিস (দুর্গ রেঞ্জ) জি পি সিংহনা ফোঙদোকখ্রবনি।

# জে-কে সিভিক পোলদা নুমিৎয়ুংবা ফাওবদা চাদা ৫৭ ভোট থাদখ্রে

***জম্মু, ওক্টোবর ১০***

জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী কাশ্মীর ভেলিদা অকনবা চেকশিন-থৌরাং মখাদা পাঙথোকপা লোকেল বোদি ইলেক্সনশিংগী ঙসি অনীশুবা তাঙ্কক্তা নুমিৎয়ুংবা ফাওবদা চাদা ৫৭ ভোট থাদনখ্রে।

ম্যুনিসিপাল বোদি ৭৯ দা ভোটর লাক্ষ ১৭ রোমনা ভোট থাদগদৌরিবা তাঙ্কক মরি থোকপা মীখলশিং অসি ষ্টেট অসিদা চহী ১৩ গী মতূংদা পাঙথোকপা মীখলনি। মীখল অসিদা ষ্টেট অসিগী মরু ওইবা পোলিটিকেল পার্টি ২- পিপলস দেমোক্রেটিক পার্টি (পি দি পি) অমসুং নেস্নেল কনফরেন্স (এন সি) না বোয়কোট তৌরি।

ষ্টেট অসিগী ইলেক্সন বোদিনা ভোট থাদবগী মতম পূং ১ ঙনখৎতুনা অয়ূক পূং ৬ তগী নুংথিল পূং ৪ ফাওবা ভোট থাদনগনি অদুবু নুমিৎ থোক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা ভোট থাদবা হৌহনগদৌরিবা অসি অরানবা তৌবা য়াহন্নবনি। নুমিৎ থোক্ত্রিঙৈ পূংখাই অমা হেনবগী মমাঙদা ভোট থাদবা হৌবা হায়বসি মসিনা অহানবনি হায়না ওপোজিসন্না মরাল শীখ্রে।

মীখল অসিনা ম্যুনিসিপাল ৱার্দ ২১৪ গী মীরেপ ৮৮১ গী মরাইবক লেপকনি। মীরেপ ৪ দি জম্মু রিজনদা ভোট থাদনবগী তাঙ্কক অসিদা লম্বা য়াওদনা কাখ্রে। মখোয়গী মীহুৎশিং খন্নবা অয়ূক অঙনবদগী হৌনা দিষ্ট্রিক্ট পূন্নমক্তা পোলিং ষ্টেসনশিংগী মমাঙদা ভোটরশিংনা পরেং শাংনা লেপ্পুনা লৈনখি।

ওক্টোবর ৮ দা পাঙথোকখিবা অহানবা তাঙ্কক্কী মীখলদা চাদা ৫৬.৬ ভোট থাদনখি। ওক্টোবর ১৩ দা অহুমশুবা তাঙ্কক অদুগা ওক্টোবর ১৬ তা মরিশুবা অমসুং অরোয়বা তাঙ্কক্কী ভোট থাদগনি। ওক্টোবর ২০ দা ভোট মশীং থিগনি।

# য়ু এস না চথরিবা ললোন-ঈতিক্কী লাল মরক্তা চিনানা ইন্দিয়াদা হেন্না মরম চাবা ইন্টর্নেস্নেল ওর্দরগীদমক হোৎনমিন্নবা আপিল তৌখ্রে

***ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ১০***



ললোন-ঈতিক্কা মরী লৈনবা য়েংথিনবশিংগী মতাংদা য়ু এস না মতোমতগী ওইনা চথরক্লিবা অকনবা খোঙথাং অসিদা ইন্দিয়া অমসুং চিনানা পূন্না থেংনমিন্নবা হেন্না লুশিন্না তেংবাঙনবগী মথৌ তাবা লৈ হায়না ঙসি ন্যু দিল্লিদা চাইনিজ এম্বেসিনা হায়খ্রে।

নেস্নেল সেক্যুরিটি অমসুং ফিয়ার ট্রেদ মমিংদা য়ু এস না মশাখক্কী ললোন-ঈতিক ঙাকথোক্লবা হোৎনরিবা অসিনা চিনাখক্তগী ইকোনোমিক দিভলপমেন্ট শোকহনবতা নত্তনা ইন্দিয়াগী এক্সতর্নেল ইনভাইরোনমেন্ট শোকহনগনি লোয়ননা ইন্দিয়াগী চাওখৎলক্লিবা ইকোনোমিদা খুরৌ থাংহনগনি হায়না ইম্বেসি অসিনা হায়খি।

খ্বাইদগী চাওবা চাওখৎলক্লিবা লৈবাক অনী অমসুং অচৌবা চাওখৎলক্লিবা মার্কেটশিং ওইনা চিনা অমসুং ইন্দিয়া অনীমক হেন্না লুশিন্না ইকোনোমি রিফোর্ম তৌবা অমসুং দিভলপ তৌবগী মরু ওইবা তাঙ্কক্তা লৈ লোয়ননা লৈবাক অনীমক্না তংদু-লৈতাবা এক্সতর্নেল ইনভাইরোনমেন্ট মথৌ তাই হায়না ইন্দিয়াদা চাইনিজ এম্বেসিগী ৱাঙাংলোয় কাউন্সেলর জি রোং না হায়খি।

চিনা অমসুং য়ু এস কগী মরক্তা ললোন-ঈতিক্কী মুক্নরিবা অদুগা মরী লৈননা হংলকখিবা মেদিয়াগী ৱাহংশিংদা মহাক্না পাউখুম পীখি।

হৌখিবা থাদা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রুম্পনা দোল্লর বিল্লিয়ন ২০০ হেনবগী চাইনিজ ইম্পোর্টশিংদা তারিফশিং থমজিনখি। মদুগী লমন খুমদুনা চিনানসু য়ু এস ইম্পোর্ট দোল্লর বিল্লিয়ন ৬০ রোমগী মথক্তা তারিফ থমজিনখি। চিনানা করিগুম্বা অমুক হন্না খূৎ হল্লক্লবদি চাইনিজ ইম্পোর্টশিংগী মথক্তা দোল্লর বিল্লিয়ন ২৬০ গী অহেনবা তারিফশিং থমজিনগনি হায়না ৱাসিংতননা মখা তানা কিহল্লকখি।

হৌজিক লৈরিবা ফিভমশিং অসিগী মখাদা য়ু এস কী ট্রেদ প্রোটেক্সনিজম থেংননবা ইন্দিয়া অমসুং চিনানা হেন্না লুশিন্না তেংবাঙনবগী মথৌ তাই হায়না মিষ্টর জি না হায়খি।

মহাক্না হায়খি, ট্রেনিং সিষ্টেম অমসুং ফ্রী ট্রেদ ঙাকথোকপদা চিনা অমসুং ইন্দিয়াগী চপ মান্নবা কান্নবা লৈ। দাবোসতা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড ইকোনোমিক ফোরমদা লৈবাকশিংগী ট্রেনিং সিষ্টেম অমসুং ফ্রী ট্রেদ ঙাক্তুনা থন্নবগীদমক প্রসিদেন্ট জি জিনপিং অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা পীখ্রিবা মোতশিং অদু মহাক্না নীংশিংখি।

# রাফেল দিল লেপ্পখিবগী মরিক চুম্বা ৱারোলশিং সিল্ড কোভরদা থাগৎলক্নবা সুপ্রিম কোর্টনা সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টতা খঙহনখ্রে



***ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ১০***

সুপ্রিম কোর্টনা ঙসি য়ূমশকৈশ নুমিত্তা সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টতা ফ্রান্সকা তৌনখিবা রাফেল ফাইটর জেট দিল অদুগী মতাংদা ৱারেপ লৌখিবগী কাঙলোন অদুগী মরীক চুম্বা ৱারোল সিল্ড কোভর অমদা হাপ্পগা থাগৎলক্নবা খঙহনখ্রে। অদুবু মমল অমসুং টেক্নিকেলগী ওইবা পাউ লৈবাক্কী খ্বাইদগী ৱাংবা কোর্ট অসিনা পামদে হায়না ময়েক শেংনা পনখ্রে।

চীফ জষ্টিস রঞ্জন গোগোয় অমসুং জষ্টিসশিং-এস কে কাউল অমসুং কে এম জোসেপনা শাবা বেঞ্চ অদুনা দিল অদুগী মতাংদা পেটিসনশিংদা করপসনগী মরাল শীরিবা অদুদা কোর্ট অসিনা খন্নদ্রি হায়বসু ময়েক শেংনা পনখি।

কোর্টতা থাঙ্গৎলকখিবা পি আই এল শিং অদুগা মায়োক্তা সেন্ত্রেলনা লেপ্পী অমসুং মদু মখোয়না পোলিটিকেলগী খুদোংচাবা ফংনবা থাঙ্গৎপনি হায়বগী য়ূম্ফমদা ককথৎনবা দিমান্দ তৌখি।

এট্টোর্নি জেনরেল কে কে ভেনুগোপালনা খ্বাইদগী ৱাংবা কোর্ট অসিদা হায়রিবা হীরম অসি নেস্নেল সেক্যুরিটিগা মরী লৈনবনা অসিগুম্বা অসি জুদিসিয়ারিগী ওইনা রিভ্যু তৌবা য়াদে হায়খি।

দিল অদুগী মতাংদা কোর্টনা মোনিতর তৌবা থিজিনবগী থবক চত্থহন্নবা তোঙান তোঙানবা উকিল অনীনা থাঙ্গৎলকখিবা পি আই এল অনীগী মতাংদা কোর্ট অসিনা সেন্টরদা নোটিশ তৌখিদে। অদুগা মদুগী মহুত্তা কোর্ট অসিনা দিল অদু লেপ্পখিবগী খোঙথাংশিং অদু সিল্ড কোভর অমদা ওক্টোবর ২০ ফাওবগী মনুংদা থাগৎলক্তুনা সেন্টরদগী ঈ-পাউ পাম্মী হায়খি অমসুং পি আই এল শিং অদুগী মথংগী হিয়ারিং ওক্টোবর ৩১ দা পাঙথোক্নবা লেপখি।

দিল অদুগী মরীক চুম্বা ৱারোলশিং ফোঙদোক্নবা অমসুং য়ু পি এ অমসুং এন দি এ লৈঙাকশিংগী মতমদা লেপখিবা মমলশিংগী খেন্নবশিং অদু সিল্ড কোভর অমদা এপেক্স কোর্ট অসিদা থাগৎহল্লক্নবা তকশিনবা য়াওনা দিরেক্সনশিং পীবীয়ু হায়না থাঙ্গৎলকখিবা তোঙান তোঙানবা পেটিসনশিং মকোক থোংবা কোর্ট অসিনা হীয়ারিং চথখি।

সেপ্টেম্বর ২৩, ২০১৬ দা ফ্রান্সকা রাফেল ফাইটর জেট লৈনবগী দিল সহি তৌনদ্রিঙৈগী মমাঙদা দিফেন্স প্রোক্যুরমেন্ট প্রোসিদ্যুও (দি পি পি) গী শরুক ওইনা য়ুনিয়ন কেবিনেটকী অয়াবা লৌখিদ্রিবগী মরম করিগীনো হায়বসি সেন্টরগী মায়োক্তা দিরেক্সন অমা পীবীয়ু হায়না থাঙ্গৎলকখিবা কংগ্রেস লুচিংবা অমসুং আর টি আই এক্টিভিষ্ট টেহসীন পুনৱালানা মাগী পি আই এল অদু হন্দোকখ্রে।

# হসিনাদা ২০০৪ গ্রেনেদ এটেক্কীদমক ১৯ ফাঁসি তৌরগনি, এক্স-পি এম জিয়াগী মচানুপা পুন্সিগী ফাদোক পীখ্রে

***ধাকা, ওক্টোবর ১০***



হৌখিবা কুমজা ২০০৪ দা মী ২৪ শিখিবা অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর সৈখ হসিনা য়াওনা অতে মীওই ৫০০ শোকখিবা গ্রেনেদ এটেক অদুগী মতাংদা ঙসি য়ূমশকৈশা নুমিত্তা মফম অসিগী কোর্ট অমনা হান্নগী বাংলাদেশ প্রাইম মিনিষ্টর খলেদা জিয়াগী মচানুপা, মীচেল ওইরিবা তারিক রহমন জেলদা মপুন্সি চুপ্পগী ফাদোক পীখ্রে অমসুং অতে মীওই ১৯ শিবগী চৈরাক পীদুনা ফাঁসি তৌরগনি।

কুমজা ২০০৪ গী আগষ্ট ২১ দা অৱামি লিগকী রেল্লি অমদা চথরকখিবা গ্রেনেদ এটেক অদু মতমদুদা ওপোজিসন লীদর ওইরিবী সৈখ হসিনাদা পান্দম থমলকখিবনি। এটেক অদুদা সৈখ হসিনা তঙ্খাই নাম্মা মনা পঙবগা লোয়ননা হিংহৌখিবনি।

হান্নগী ষ্টেট মিনিষ্টর ফোর হোম লুটফোজামান বাবরসু ফাঁসি তৌদুনা শিবগী চৈরাক পীগদৌরিবা কনভিক্ট ১৯ গী মনুংদা য়াওরি।

কোর্টকী ৱায়েল অসি দিসেম্বর থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখলগী মাঙওইননা তারকখিবনি। মরাল লৈবা মীওইশিং অদু কোর্ট অদুদা পুথোক্লককখিবদা অকনবা চেকশিন-থৌরাং লৌখৎখি। খালেদা জিয়াগী মচানুপা তারিক রহমন (৫০) মীচেল অমনি লাওথোকপগা লোয়ননা মহাক মশা য়াওদনা ৱায়েল চথখি। হৌজিক মহাক লন্দনদা লৈরি। বৃটিশ ওথোরিটিজনা মহাক্কী ইম্রিগেসনগী ৱারোল পীয়ু য়াদ্রবসু মহাক চঙজফম লৌদুনা লৈ হায়না থাজনরি।

করপসনগী মরালশিংগীদমক খালেদা জিয়াবু ফেব্রুৱারী থাদা জেলদা চহী ৫ গী চৈরাক পীখ্রবগী তুংদা তারিক রহমননা মপান লৈবাক্তগী ওপোজিসন বি এন পি বু লুচিংলি।

ধাকাগী ফাষ্ট ট্রেক ট্রিবুনেলগী জজ শাহেদ নুরুদ্দিননা রহমনবু অতে ১৮ গা লোয়ননা মপুন্সি চুপ্পা জেলদা থাজিন্নবগী জজমেন্ট ওর্দর অদু লাওথোকখি।

জজ অদুনা এটেক অদু বেকগ্রাউন্দ, মোটিব অমসুং কন্সেক্যুন্সশিং অদুগী মতাংদা পোইন্ট ১২ গী ওবজার্ভেসনশিং তৌখি।

মতম অদুগী বি এন পি লুচিংবা গভর্ণমেন্ট অদুগী রহমন য়াওনা শক্তি লৈবা খূৎপু অমনা মিলিটেন্ট হর্কতুল জিহা অল ইস্লামি (হুজি) গী ওপরেটিভশিং ওইরিবা এটেক্করশিং অদু স্পোন্সর তৌখি হায়বসি ইনভেষ্টিগেসনশিংনা ফংখি। এটেক্কী মরু ওইবা তার্গেট অদু হসিনানি হায়না ইনভেষ্টিগেটরশিংনা হায়খি।

ঙসি কোর্টতা কনভিক্ট ৪৯ গী মনুংদা ৩১ থোক্লকখি। অতৈদি মশা য়াওদনা চৈরাক পীখিবনি।

ৱায়েল অদু লাওথোকখিবগা হোম মিনিষ্টর অসাদুজামান খান কামলনা পাউমীশিংদা মীচেল ওইরিবা কনভিক্টশিং অদু লৈবাকসিদা পুরক্নবা ঐখোয়না থবক লৌখৎলি হায়খি। শিবগী চৈরাক পীখ্রবশিং অদুগী মথক্তা মখোয় অমমমদা টাকা লাক্ষ ১ গী ফাইনগী পোৎলুম পীরি।

হায় কোর্টনা আইনগী তৌফম থোকপা অমা ওইরবা রিভ্যু অমা তৌরবা তুংদা শিবগী চৈরাকশিং অদু অমুক লেপকদবনি।

# খোঙনেৎফম ওইরকখিবা রোক ১ তশেংনমক দোল্লর লীশিং ১০০ পীবা মতীক চারবা মেট্যওরাইট অমা ওইরম্লে

***গ্রান্দ রেপিদস, ওক্টোবর ১০***

চহী দিকেট কয়া মহাক্কী থোঙজিনদা খোঙনেৎফম ওইনা শীজিন্নরকখিবা রোক অমগী মতাংদা নহানমখৈ নুংনাংদুনা লাংতক্নকা লৈরকখিবা মিচিগান নুপা অমনা রোক অদুগী অরোনবা অদু হৌজিক খঙলক্লে - মদু তশেংনমক দোল্লর লীশিং ১০০ গী মমল পীবদা মতীক চারবা মেট্রওরাইট অমা ওইরম্লে।



তশেংনমক আইরন অমসুং নিক্কেলগী পাউন্দ ২৩ মুক লুম্বা মতুম অদু মিচিগানদা ফংবদা হৌজিক ফাওবগী মনুংদা খ্বাইদগী শাংবা ৬ শুবা মেট্যওরাইটনি হায়না স্মিথসোনিয়ান ম্যুজিয়ম অমসুং সেন্ত্রেল মিচিগান য়ুনিভর্সিটিনা হায়রি।

অপীকপা মেট্যওরাইট মচেৎশিং দোল্লর লীশিং কয়াদা য়োনবা অদু জনুৱারী থাদা য়োনবা অদুগী পাউশিং জনুৱারী থাদা পুখ্রবা তুংদা দেবিদ মাজুরেক হায়রিবা নুপা অসিনা মহাক্কী থোঙজিনগী খোঙনেৎফম অদু ময়েক শেংনা খঙনবা য়েংশিনহন্নবগীদমক সেন্ত্রেল মিচিগান য়ুনিভর্সিটিদা পুখি।

য়ুনিভর্সিটি অদুগী জিওলোজি প্রোফেসার মোনা সিরবেস্কুনা অহানবদা নূং অদু চেন্নগী রোক অমদগী হেনবা অমনি হায়না খনখি। মদুদগী মহাক্না রোক অদুগী অপীকপা মচেৎ অনী করিনো হায়বা চপ চানা খঙনবা স্মিথসোনিয়ানদা থাখি।

জিওলোজিগী প্রোফেসার নুপী অদুনা হায়খি, ঐনা মসি চপ চানা হায়বা ঙম্মী মদুদি মসি করিগুম্বা অখন্নবা অমদি শোয়দনা ওইগনি। হৌজিক ফাওবগী মনুংদা ঐগী পুন্সিদা শেলগী ওইনা অমসুং সাইন্টিফিক্কী ওইনা থেংনরকখিবদা মসিনা খ্বাইদগী মমল লৈবা স্পেসিমেন অদুনি।

মজুরেকনা হায়খি, ঐহাক্না মসি এদমোরদা ১৯৮৮ তা ফার্মর অমদগী লৈরকখিবনি। মদুদা ফার্মর অদুনা মহাক্কী য়ূমগী মনীংদা ১৯৩০ গী চহীশিংদা মদু তারকখিবনি হায়না ঐঙোন্দা ফোঙদোক্লককখি।

মীয়ান্না মসিদা শেল য়ান্না ফংবগী পাউ তারকখিবদগী মদু খুদক্তা লৈবাক লৌথোক্লগা পুখ্রে। অশেংবা মেট্যওরাইট অদু মদুগী তারকফম কোংকুৎ অদুদগী খোত্তোক্লগা পুখ্রে।

মেট্যওরাইট অদুদা য়ান্না অতাংবা ইলিমেন্টশিং য়াওব্রা হায়বদু য়েংনবা মখা তাবা অহেনবা টেষ্টশিং চথরি।

হৌজিক হায়রিবা পাউন্দ ২৩ মুক লুম্বা মেট্যওরাইট অদু লৈনবা স্মিথসোনিয়ান অমসুং মেইনেদা লৈবা মিনরেল ম্যুজিয়ম অমনা খল্লি। মেট্যওরাইট অদু মহাক্না য়োল্লবদি মদুদগী ফংবা শেনফম অদুদগী খরা য়ুনিভর্সিটি অদুদা কৎকনি হায়না মাজুরেকনা হায়খি। ঐনা মসি থোঙজিন্দা খোঙনেৎফম ওইনা শীজিন্নরকপনি। মসিবু লৈনবা মী অমা ফংহনবিয়ু হায়না মহাক্না মখা তাখি।

# লেট্যুনেন্ট জেনরেল অসিম মুনিরনা আই এস আই গী চীফ ওইরে



***ইস্লামাবাদ, ওক্টোবর ১০***

লেট্যুনেন্ট জেনরেল অসিম মুনিরবু ঙসি পাকিস্টানগী শক্তি লৈরবা স্পাই এজেন্সি আই এস আই গী অনৌবা চীফ ওইনা হাপ্লে হায়না অর্মিগী মেদিয়া ৱিংনা লাওথোকখ্রে।

চীফ ওফ আর্মি ষ্টাফ জেনরেল কামর যাবেদ বজৱানা লুচিংবা আর্মি প্রমোসন বোর্দনা মিলিটরি ইন্টিলিজেন্স (এম আই) গী মকোক ওইনা পুরম্বা মুনিরবু হন্দক্তা লেট্যুনেন্ট জেনরেলগী রেঙ্কতা প্রমোসন পীখিবনি।

দিসেম্বর ২০১৬ দা ইন্টর-সার্ভিসেস ইন্টিলিজেন্সকী দাইরেক্তর জেনরেলগী ওফিস পায়খিবা লেট্যুনেন্ট জেনরেল নবীদ মুখতারগী মহুৎ মহাক্না শীল্লগনি।

মেজর জেনরেল ৫ বু হৌখিবা থাদা মথংগী রেঙ্কতা আর্মি চীফনা প্রমোসন পীখ্রবা তুংদা মরু ওইবা মকোক থোংবা থাক্তা ট্রান্সফর কয়ামরুম তৌখ্রে।

# অলিবাবা ফাউন্দর জেক মা না চিনাগী খ্বাইদগী ইনাকখূনবা ওইরে

***বৈজিং, ওক্টোবর ১০***

খ্বাইদগী নৌবা হুরুন চিনা রিচ লিষ্ট ২০১৮ গী মতূং ইন্না ই-কম্মর্স জাইন্ট অলিবাবাগী ফাউন্দর জেক মা না মহাক অমসুং মাগী ইমুংনা পূন্না দোল্লর বিল্লিয়ন ৩৯ রোমগী লন-থুম লৈদুনা চিনাগী খ্বাইদগী ইনাকখূনবা মীওইগী মিংথোন অদু অমুক হন্না ফংখ্রে হায়রি।


য়ু এস দোল্লর বিল্লিয়ন ৪২০ গী ই-কম্মর্স জাইন্ট অদুগী একজিক্যুটিভ চিয়ার্মেনগী ফম থাদোক্লে হায়না মশাগী চহী ৫৪ শুরবা জেক মা না হৌখিবা থাদা খঙহৌদনা লাওথোক্লককখিবনি।

হৌজিক মহাক্না চাইনিজ প্রোপর্টি মোগন জু জিয়ায়িনবু নমথখ্রে। য়ুৱান বিল্লিয়ন ২৭০ (য়ু এস দোল্লর বিল্লিয়ন ৩৯) গী মরন-মথুম লৈদুনা জেক মা গী ইমুং মনুংনা ইভরগ্রান্দে চিয়ার্মেন জু-জিয়ায়িনবু নমথদুনা চিনাদা খ্বাইদগী পৈশা পায়বা ওইরকখিবনি। জিয়ায়িনগী মরন-মথুম হান্নদগী বিল্লিয়ন ৪০ হন্থরক্তুনা য়ুৱান বিল্লিয়ন ২৫০ খক্তা ঙাইখ্রে।

# পুরি জগন্নাথ লাইশঙদা খূৎলাই অমসুং খোঙউপকা লোয়ননা পুলিসমেনশিংনা চঙলোয়দবনি হায়না সুপ্রিম কোর্টনা ফোঙদোকখ্রে

***ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ১০***

লাই খুরুম্বা লাকপা মীওইশিংগীদমক পরেং শানা লেপহনবগী সিষ্টেম অদুগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট অমদা পুরিগী জগনাথ লাইশঙদা ওক্টোবর ৩ দা থোকখিবা হিংশাগী থৌদোক অদু ঙসি সুপ্রিম কোর্টনা খঙজিনবগা লোয়ননা লাইশঙ অদুগী মনুংদা পুলিসমেন অমত্তনা খূৎশু-খূৎলাই পুদুনা অমসুং খোঙউপ তোংদুনা চঙলোয়দবনি হায়খ্রে।



লাইশঙ অদুদা থোকখিবা হিংশাগা মরী লৈননা মীওই ৪৭ ফারে অমসুং হৌজিক ফিভম অদু লাকশিল্লে হায়না উরিষ্যা গভর্ণমেন্টনা জষ্টিস মদন বি লোকুর অমসুং জষ্টিস দীপক গুপ্তনা শাবা বেঞ্চ অমদা খঙহনখ্রে।

ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা বেঞ্চ অদুদা লাইশঙ অদুগী প্রিমাইজেজ মনুংদা হিংশা থোকখিদে। মরু ওইবা লাইশঙ অদুদগী মিটর ৫০০ রোম লাপ্পদা লৈবা জগন্নাথ টেম্পল এদমিনিষ্ট্রেসনগী ওফিস অদুদা য়ৈখাই-থুগাইবা চথরকখিবনি হায়নসু বেঞ্চ অদুদা ফোঙদোকখি।

হীরম অসিদা খূৎ থিংজিনবীনবা হায়জরকখিবা ওর্গনাইজেসন অমগী কাউন্সেল অদুনা বেঞ্চ অদুদা পুলিসমেনশিংনা হিংশাগী থৌদোক অদুদা নোংমৈশিং অমসুং খোঙউপ ভুটশিংগা লোয়ননা লাইশঙ অদুগী মনুংদা চঙশিল্লকখি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

# GAS TODAY

**Manipur Gas**
Booking : 29/06/18
Valid : 27/06/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 09.30 a.m

**Harangchal Gas**
Booking : 26/07/18
Valid : 24/07/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**Lamsang Gas**
Booking : 23/07/18
Valid : 17/07/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Misao Gas Service**
Booking : 27/07/18
Valid : 03/07/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**K & K Indane Service**
Booking : 18/08/18
Valid : 13/08/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 11.00 a.m

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 16/07/18
Sl. No. 9200
Valid : 12/07/18
Sl. No. 8671
Stk : 270/19kg 24
Time : 07.00 to 11.00 a.m

**Khoriphaba Gas**
Booking : 10/08/18
Sl. No. 3079 upto 3294
Time : 06.30 to 09.00 a.m

**Imphal L P G Service**
Booking : 11/08/18
Sl. No. 22063
Valid : 04/08/18
Stk : 306 DBTL
19 kg Available
Time : 10.00 a.m

**সনা-সুদোকু -১৩১৫ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 9 | 6 | 4 | 1 | 8 | 7 | 3 | 5 | 2 |
| 8 | 5 | 3 | 6 | 9 | 2 | 7 | 4 | 1 |
| 1 | 7 | 2 | 5 | 4 | 3 | 8 | 9 | 6 |
| 4 | 2 | 6 | 3 | 7 | 5 | 1 | 8 | 9 |
| 7 | 8 | 9 | 2 | 1 | 4 | 6 | 3 | 5 |
| 5 | 3 | 1 | 8 | 6 | 9 | 2 | 7 | 4 |
| 6 | 1 | 5 | 4 | 3 | 8 | 9 | 2 | 7 |
| 3 | 4 | 7 | 9 | 2 | 1 | 5 | 6 | 8 |
| 2 | 9 | 8 | 7 | 5 | 6 | 4 | 1 | 3 |

# SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1316**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 4 | | | | | 1 | 8 | 5 | |
| | 7 | | | | 3 | | 1 | |
| | | | 4 | | 2 | | 9 | 7 |
| | 5 | | 8 | | | | | |
| | 2 | 6 | | | | | | 3 |
| | | 7 | 5 | | | | | |
| | | 9 | | | | 2 | 8 | |
| | 3 | | | | 7 | | | 1 |
| | | 2 | 6 | | | | | |